## হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস) :
চহী খুদিংগী পাঙথোকপগুম থাংমৈবন্দগী চৈরাও চীংদা লৈবা অথৌবশিংগী খুভমদা থা অসিগী ১৩ গী অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪ তাবা ফাওবা চহীগী হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না শিল্লি লাংলিবশিংগী মায়কৈদগী প্রেসতা থাাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী থৌরম অসিদা ইরমদম অসিদা খুন্দা-লৈতামিন্নরিবা ফুরুপচাশিংগী অহল-লমন, ইমা-ইবেল, ইচিল-ইনাও অমদি মরুপ-মপাং খ্বাইনা শরুক য়াবীয়ু। এপ্রিল ১৩ অথৌবশিংগী নুমীৎ অসিবু মপুং ফাহন্নবগীদমক শিল-লাংলিবশিংগী মায়কৈদগী নীংশিংজরি হায়নসু মখা তারি।

## থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস) :
নেসনল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এন এস য়ু আই) লিলোং জোনেলগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে হায়না এন এস য়ু আই মণিপুরগী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, জোনেলগী থৌ পুগদবশিং অদুদি, প্রসিদেন্টতা এম দি সাহিদ খান, ভাইস প্রসিদেন্টতা এম দি নাসিবুর রহমন, এম দি নিয়াজ সৈখ য়াওরি।

অমরোমদা, ওল মণিপুর মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্ট এমপ্লোয়ী এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এসোসিএসন অসিগী কুমজা ২০১৯ দগী ২০২০ ফাওবগী ওইনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে। থৌ পুগদবশিং অদুদি, প্রসিদেন্টদা এস সঞ্জিৎ, ভাইস প্রসিদেন্টতা কে এস ঐচ দ্বিজমনি, জেনরেল সেক্রেটরিদা ঐচ বালেশ্বরনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

## লোইশঙ হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস) :
য়ুনিভর্সেল ফেমিলি ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও) গী অৱাং নোংপোক লমগী খোঙচৎতা লোইশঙ কয়া হাংলম্লে হায়না য়ু এফ ওগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, য়ু এফ ওনা অৱাং নোংপোক লমদমদা খোঙচৎ অমা চৎতুনা লোইশঙ কয়া হাংখি। সাউথ ৱেষ্ট দিভিজন ক্বার্টর নম্বর টু ৱেষ্ট ত্রিপুরাগী অবোই নগরদা হাংলমখি। নম্বর থ্রী দুগ্রা নগর, নম্বর ফোর ধর্ম্ম নগর অসাম, নম্বর ফাইব জরাইতোল, নম্বর সিক্স জিরিঘাট, সিলচর, গুৱাহাতিনচিংবা মফমশিংদা শঙলেনশিং হাংখি। য়ুমশারোল-নচিংবা কয়া য়েংশিন্দুনা মীওই চা কয়া লায়েং চত্থদুনা ফহল্লবা তুংদা থা অসিগী ৯ দা ইম্ফালদা থুংলখি। অৱাং নোংপোক লমদমগী শক্লাইরবা লুচিংবা কয়ানা লোইশঙ হাংদোকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি হায়নসু মখা তারি।

## লাইথৌ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস) :
চহীগী অরোইবা নুমীৎতা লাই খুলদিল লাল্লুপ ঈরাৎপগী থৌরম থা অসিগী ১৩ দা মীতৈ মরুপকী জেনরেল সেক্রেটরি চিংঙাখম কুঞ্জেশ্বরগী খাবম চুম্রে থোংদা লৈবা য়ুমদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু হায়না মীতৈ মরুপকী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস) :
এম পি অমদি মিনিষ্টর কয়ারক ওইরল্লবা হোলখোমাং হাওকিপনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না লোক জনশক্তি পার্টি (এল জে পি) মণিপুর ষ্টেটকী ৱাঙাঙলোয় এন ইবোহলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরগী অৱাৎ-অপা কয়া য়েংশিনবীরম্বা রেভিন্যু মিনিষ্টরগী থৌসু পুরম্বা হোলখোমাং হাওকিপনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি। মহাক্কী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা তীনখিবদা মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা অৱাৎপা অমা ঐখোয়গী ইরক্তা লৈহৌরে। মহাক্কী মমল য়াল্লবা পাউতাক কয়া লৈহৌরি। লুচিংবা অসিগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি এমপ্লোয়ী য়ুনিয়ন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইলেক্ট্রিসিটি এমপ্লোয় য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্টকী থৌ পুরম্বা সেঞ্জম তোম্বীনৌনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা ইলেক্ট্রিসিটি কমপ্লেক্সতা লৈবা য়ুনিয়ন অসিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। য়ুনিয়নগী ওফিস বিয়ররশিংনা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবগীদমক তাইবং মপুগী মফমদা থৌনিখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## শুমাং লীলাগী শক্লাইরবা এ কে বেঙ্গোলদা থোকচোম ইবোয়াইমা এৱার্দ লান্থোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস) :
শুমাং লীলাগী লমদা শক্লাইরবা এ কে বেঙ্গোলদা থোকচোম ইবোয়াইমা এৱার্দ ২০১৯ লান্থোক্লগনি হায়না মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলগী লাইফ টাইম সেক্রেটরি শৌগ্রাকপম হেমন্তনা ফোঙদোকখ্রে।

ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন, কোনুং মমাঙদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা শৌগ্রাকপম হেমন্তনা হায়খি, লৈখিদ্রবা শুমাং লীলাগী শক্লাইরবা অহল-লমনশিংবু নীংশিংবা ওইনা এপ্রিল ১২ নুমীৎ অসিবু শুমাং লীলা নুমীৎ হায়না পাঙথোক্কুনা ঙসি ফাওবদা লাক্লি। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবা থোকচোম ইবোয়াইমাগী মিংদা মহাক্কী লোয়নবী থোকচোম ওংবী সনাতোম্বীগী ইমুং-মনুং, মচা-মশুশিংনা কৎপা ইবোয়াইমা এৱার্দ অসি লান্থোকই। ইবোয়াইমা ফেলোশিপ মীদিয়াদা পীবা অসিনা থোকচোম হেরোনা কৎপা অসিগা লোয়ননা শুমাং লীলা নুমীৎকী থৌরমদা লান্থোকই। ইবোয়াইমা এৱার্দ অসি শেল ওইনা লুপা লিশিং ২০, সার্টিফিকেট অমসুং খুদোল ফিগা লোয়ননা পীবনি।



মীদিয়াদা পীবা ইবোয়াইমা ফেলোশিপ অসিনা থা-থাগী লুপা লিশিং ২, চহী ১ দা পুন্না লুপা লিশিং ২৪, সার্টিফিকেট অমসুং খুদোল ফি পীবনি। সিনাম পিক্কিদা মমাঙ চহীদগী হন্দক চহী ফাওবা লান্থোক্লগনি। ইবোয়াইমা এৱার্দ পীনবা লাউথোক্লবা এ কে বেঙ্গোলদা খুৎশিন্নবা নুমীৎ অসিদা পুন্না খুৎশিন্নগনি।

শুমাং লীলা নুমীৎকী থৌরম অসি মফম অহুমদা পাঙথোক্কনি। থোকচোম ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা অয়ুক পুং ৭ তগী ১১ ফাওবদা ইবোয়াইমা হোস্পিটালনা শুমাং লীলাগী লীলারোয়শিংবু ফ্রী মেদিকেল কেম্প পাঙথোক্কনি। মসিগী মতুং নুংথিল পুং ১ তাবদা ডা. রতন থিয়ামনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা এৱার্দ লান্থোক্কনি। নুংথিল পুং ৪ তাবদা সনা লৈপাক আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী অহানবা মনা ফংখিবা লীলা *অহিংদা নুমীৎ* উৎকনি।

মসিগী মতুং ইরোম মৈজ্রাও মমাঙ মখা লৈকায় ক্লব গ্রাউন্দদা কাউন্সীলনা শীন্দুনা শুমাং লীলা নুমীৎ থৌরম নুংথিল পুং ৫.৩০ দা পাঙথোক্কনি। মসিগা লোয়ননা মমি আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী *থাজা মচেৎকী মঙাল* উৎকনি। ক্যামগৈ মমাঙ লৈকায় খাগি ক্লবকী লম্পাক্তা নুমীদাং পুং ৭.৩০ তাবদা শুমাং লীলা নুমীৎ থৌরম পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিগা ইরোয়ননা পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী *মোনালিসা* উৎকনি। উৎকদৌরিবা লীলাশিং অসি শুমাং লীলা নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা লেম্না উৎকনি হায়রি।

শুমাং লীলা হায়বসি মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা ট্রেদিসনল আর্ট অমনি। মসিবু পুথোকপীদুনা হোৎনবীরম্বা লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিং অমদি শুমাং লীলা হায়না মশক তাক্তুনা শাফোঙবীরম্বা নুমীৎ এপ্রিল ১২ অসিবু নীংশিংদুনা পাঙথোকপা নুমীৎনি। শুমাং লীলাগী নুমীৎ পাঙথোক্তুনা শক্লাইরবা মীওই কয়া ঈকায় খুম্নদুনা লাক্লি হায়নসু মখা তাখি।

## মমি নুমীৎ থৌরম পাঙথোক্তুনা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস) :
ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা ১৩ শুবা মমি নুমীৎ থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা ১২ শুবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দ য়েন্থোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটি (এম এস এফ দি এস) তা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ডা. সুরেশ বাবুনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি। শক্লাইরবী এক্ট্রেস য়েংখোম রোমাদা লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ লান্থোকখ্রে। মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দকী তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিশিংদা এৱার্দ ফংখ্রবশিংদি, বেষ্ট ম্যুজিক দিরেক্সনদা ৱোনম ফিল্মগী আর কে বিরেন্দ্রজিৎনি।

বেষ্ট লিরিক্সতা থোৎরেসো কৈসিং, বেষ্ট মেল প্লেবেক সিঙ্গরদা থোৎরেসো কৈসিং, বেষ্ট ফিমেল প্লেবেক সিঙ্গরদা ঐচ উমোলাতা, বেষ্ট কষ্ট্যুমদা গলিফা, বেষ্ট মেক-অপতা অকু পুখ্রম্বম, বেষ্ট স্পেসল ইফেক্টতা বিজু, বেষ্ট আর্ট দিরেক্সনদা বি বালা, বেষ্ট সিনেমাটোগ্রাফিদা অর্জুন নিংথেমচা অমদি ইরোম মাইপাক, বেষ্ট ওদিওগ্রাফিদা পারি, বেষ্ট এদিটিংদা মোংশাবা, বেষ্ট স্ক্রিনপ্লেদা গৌতম, বেষ্ট চাইল্ড আর্টিষ্টতা ব্রহ্মচারিময়ুম দিশিরাজ, বেষ্ট এক্টর (মেল) দা কে ঐচ বিশ্বমিত্রা, বেষ্ট এক্টর (ফিমেল) দা সরোজা চোংথামনি।

বেষ্ট সপোর্টিং এক্টর (মেল) দা অভি খুন্দ্রাকপম, বেষ্ট সপোর্টিং এক্টর (ফিমেল) দা রিনা নিংথৌজম, বেষ্ট চিলড্রেন ফিল্মদা মাগী মতম্বাক্তা, বেষ্ট দিব্যু ফিল্ম ওফ এ দিরেক্টরদা মৈতান অরাবা, বেষ্ট দিরেক্সনদা ও গৌতম, গভর্ণর এৱার্দ ফোর বেষ্ট ফ্যুচর ফিল্মদা ৱোনম, স্পেসল জুরি এৱার্দতা ঐ লাকখিনি, রাইটিং ওন মণিপুরী সিনেমাগী বেষ্ট বুক্তা য়াম্বেম তোম্বী, বেষ্ট ক্রিটিকতা নোংমাইথেম হেরোজিৎনি।

নন-ফিচর ফিল্মগী কেটাগোরিদা এৱার্দ ফংখ্রবশিংদি, বেষ্ট নন-ফিচর ফিল্মদা রাস লীলা ওফ মণিপুর, বেষ্ট সোর্ট ফিল্মদা য়োর্স ফেথফুল্লি, বেষ্ট দিরেক্সনদা রাস লীলা ওফ মণিপুর, বেষ্ট সিনেমাটোগ্রাফিদা রাস লীলা ওফ মণিপুর, বেষ্ট ওদি-ওগ্রাফরদা রাস লীলা ওফ মণিপুর, বেষ্ট ম্যুজিক দিরেক্সনদা মাই জেন্নরস ভিলেজ, স্পেসল জুরি এৱার্দতা মাই জেন্নরস ভিলেজনি।

ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ফিল্মগী লমদা শক্লাইরবা মীওই কয়ানা ৱা ঙাঙখি। মণিপুরদা ফিল্মগী লমদা হেন্না চাউখৎপা পুরক্নবগীদমক মীৎয়েং চঙবগী তঙাইফদবা কয়া পুখৎনখি। মণিপুরগী ফিল্ম দিরেক্টর অমদি আর্টিষ্ট কয়ানা লৌরিবা থৌদাংগী মতাংদসু ৱাঙাঙলোয় কয়ানা শিংথানখি।

মালেমগী ওইনা শিংথানিংঙাই ওইবা ফিল্ম এৱার্দ কয়া লমদমসিদগীসু ফংলকপা অমদি আর্টিষ্টশিংনা ফিল্মগী লমদা লৌরিবা থৌদাং কয়াবুসু নীংশিংবা ৱাফম কয়াসু থম্মখি।

থৌরম অদুদা শক্লাইরবা ফিল্ম দিরেক্টর, আর্টিষ্ট অমদি টেক্নিসিয়ন কয়াসু শরুক য়াখি। ১২ শুবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দকী এৱার্দীশিংসু থৌরম অদুদা শরুক য়াবগা লোয়ননা এৱার্দ লৌখি। থৌরম অদুদা দেজদা ফমখিবা শক্লাইরবা মীওই কয়ানসু লমদমসিগী ফিল্মগী লমদা দিরেক্টর, আর্টিষ্ট অমসুং টেক্নিসিয়নশিংনা হোৎনরিবা কয়া অসিবু পূক্নিং থৌগৎপা ৱাফম ফোঙদোক্লখি।

## ময়াই লম্বী কোলেজগী রেগ্যুলর প্রিন্সিপাল হাপ্পীয়ু : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস) :
ময়াই লম্বী কোলেজগী মতিক চাবা রেগ্যুলর প্রিন্সিপাল হাপ্পীয়ু হায়না কোলেজ অসিগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি মুহম্মদ সহিদনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) গী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা মুহম্মদ সহিদনা হায়খি, কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ইন-চার্জকী থৌ পুরিবা অসিনা চত্থরিবা কোলেজগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী থবক থৌরমশিংদা অশোয়বা লৈরে। ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নবু নাথৈদুনা থম্লগা রাইট পীবীদ্রে। ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অমবু নাথৈদুনা থম্বীবা পেন্দে। কোলেজ এদমিনিষ্ট্রেসন্দা শোয়রিবা প্রিন্সিপাল অসি অথুবদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙদুনা মতিক চাবা রেগ্যুলর প্রিন্সিপাল অমা হাপ্পীয়ু। প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ ওইনা লৈরিবা অসি মতিক চাদ্রে। ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ফিদাসু পীবীদ্রে। কোলেজ অমগী চাউরবা থৌরম পাঙথোকপদা য়ুনিয়ন নাথৈদুনা থম্বীরে। মসিগীদমক পেন্দবা কয়াসু পোকই।

ইন-চার্জ ওইবনা কোলেজগী থবক থৌরম খুদিংমক তৌনিংবতা তৌদুনা লৈরে। কোলেজগী য়াইফনবা রেগ্যুলর প্রিন্সিপাল অমা অথুবদা পাম্মী। মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়াম্না থুনা মীৎয়েং চঙবীদুনা ময়াই লম্বী কোলেজ অসি নীংথিনা থবক তৌবা য়ানবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই।

প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসন্দা পেন্দবা কয়া লৈরে। কোলেজ অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসন্দসু চাউনা অশোয়বা লৈরি। কোলেজগী থবক থৌরম খুদিংমক মশানা তৌনিংবা মওংদা তৌদুনা লৈরে। ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ওইবা ফিদাসু পীবীদনা থম্লি। কোলেজ অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম কয়া অসি লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীদুনা থবক পায়খৎহন্নিংই। কোলেজগী এদমিনিষ্ট্রেসন নীংথিনা তৌগদবা অচানমীরাই নাইরোইদবা প্রিন্সিপাল অমা থুনা থাবীরকউ হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## জে সী আই এল পি এসকী কনভিনর ওইরম্বা অর্জুন তেলহৈবনা লৈখিদবদা তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়ানা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস) :
জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম (জে সী আই এল পি এস) কী কনভিনর ওইরম্বা অর্জুন তেলহৈবনা লৈখিদবদা তোঙান তোঙানবা লূপ কয়ানা লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি।

দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়ন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) গী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগেন্দা সেক্রেটরি ফিলেমচা বালেশ্বরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, জে সী আই এল পি এসকী কনভিনর ওইনা থৌ পুদুনা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা লাঙ্গোয় চনখিগদ্রা হায়না ফাওরিবা অকিবা কয়া অসিবু কোকহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা অর্জুন তেলহৈবনা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্ল া নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি।

মীয়ামগী লুচিংবা অসিনা লৈখিদবা অসিমক হৌজিক হৌজিক ইরমদম অসিনা মীতোপ মীয়ানচাগী মখুৎতগী কঞ্জনবগীদমক চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা অহোবা অমা অদুম্মক লৈহৌরগনি।

লুচিংবা অসিনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবা অসিদা দেসামগী ওইবা মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মহাক্ল া হিংলিঙৈদা তৌরম্বা থবক থৌরম কয়া লূপকী প্রসিদেন্টনা থৌমীশিংদা পাউদমখি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদা দেসামনা শরুক য়ারি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

ওল মণিপুর বার এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এদভোকেট পুখ্রম্বম অর্জুননা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা ঙসি চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা অম্বাগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। অৱাবা ফোঙবগী মীফম অদুদা অম্বাগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ ব্রাজিৎনা প্রসিদেন্ট ওইখি। অম্বাগী মেম্বরশিংনা অৱাবা ফোঙদোকখি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

চনুরা লমচিংলেল কংলৈপাক (সী এল কে) গী সেক্রেটরি জেনরেলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, জে সী আই এল পি এসকী কনভিনর ওইনা থবক তৌরম্বা অর্জুন তেলহৈবনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অসি লমদম অসিগী ওইনা মাঙজবা অমনি। খুন্নাই অসিগী মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা অহোবা অমসু ওইহৌরগনি। লুচিংবা অসিনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা সী এল কে অমদি কংলৈপাক লমজিং অপূনবা মৈরা লূপ অনীনা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি) মণিপুর ষ্টেটকী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, জে সী আই এল পি এসকী কনভিনর ওইরম্বা অর্জুন তেলহৈবনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অসি মণিপুর মীয়ামগী ওইনা অচৌবা মাঙজবা অমনি। মহাক্লা হিংলিঙৈদা মীয়ামগীদমক লৌরম্বা থৌদাংশিং নীংশিংলি। মণিপুর পিপল বিল লাকহন্নবা হোৎনবদসু অচৌবা থৌদাং লৌরম্মী হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

ইরৈপাক ইনাৎ চনুরা লোয়নসিন-লোন (ঈচল) গী সেক্রেটরি পব্লিসিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, সী সী এস কেগী এদভাইজর ওইনা লৈরম্বা অমদি জে সী আই এল পি এসকীসু কনভিনর ওইরম্বা অর্জুন তেলহৈবনা লৈখিদবদা ঈচলগী হেদ ওফিসতা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়নসু মখা তারি।

অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল) গী সেক্রেটরি আই পি আরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ৮ দা জে সী আই এল পি এসকী হান্নগী কনভিনর অর্জুন তেলহৈবনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি।

অমকিলগী এগজিক্যুটিব মেম্বরশিংনা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। মহাক্লা ইরমদমগীদমক কথোক্লম্বা অমদি ইস্যু কয়াদা থেংনরম্বশিং শিংথাবগী লোইবা নাইররোই। মহাক্লা লৈখিদবা অসি লমদম অসিগী মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা অহাংবা অমা ওইহৌরগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

মণিপুর পিছ এন্দ ইন্টিগ্রিটি কাউন্সীলগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, জে সী আই এল পি এসকী কনভিনর ওইরম্বা অমদি সিভিল সোসাইটি কংলৈপাক্কী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা অর্জুন তেলহৈবনা লৈখিদবদা মপি কাউন্সীলনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোক্লি। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুকয়ারি। তোঙান তোঙানবা ইস্যুশিংদা মাঙজিল থানা থৌদাং লৌরম্বা মীয়াম্না কাউবা ঙল্লরোই। ইরমদমগী ওইনা মহাক্লা লৈখিদবা অসি অচৌবা মাঙজবা অমা ওইহৌরগনি। মহাক্কী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্না লৈরসনু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

## দ্রাইভর ১ শিরক্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস) :
কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনল এস পি (এল/ও) কিরনকুমারগী গাড়ী দ্রাইভর ওইনা লৈবা পুলিস কন্সটেবল অমা সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসন মনুংদা ৱাখলতাদনা লৈরম্বদগী কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্ননবা হোৎনবদা লৈখিদ্রে।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা পুলিস কন্সটেবল অদুগী মমিং গৌমিলেন সিংসোন (২৩), অপোকপা কাংফুমৈ সিংসোন কৌই। মহাক চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোইরাং পুলিস ষ্টেসনন া কোনবা খৌশাবুং খুনদা লৈবনি।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, হৌখিবা নোংয়াই মতুং পুং ২ রোম তাবদা গৌমিলেন সিংসোনা সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনদা লৈবা মহাক্কী তুম্ফম ফমুংদা ৱাখল তাদনা লৈরম্বনি। মহাক খুদক্তা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্ননবা হোৎনবদা লৈখিদবনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## ডা. নরনা লম্লোং কৈথেলদা পোৎ য়োল্লিবী ইমাশিংগা উনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস) :
তরাতরেৎশুবা লোক সভা মীখলদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিদা সী পি আইগী মীরেপ ওইরিবা ডা. মোইরাংথেম নরনা ঙসি লম্লোং কৈথেলদা চৎতুনা কৈথেল ফন্নিবী ইমাশিংগা উনদুনা ৱারী শানখ্রে।

খুরাই লোকল কাউন্সীল কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি টি ঐচ ইনাওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কেম্পেন অদুদা ডা. এম নরা, সী পি আই ষ্টেট সেক্রেটরিএট মেম্বর আর কে অমুসনা, কে বিমোল, খুরাই লোকল কাউন্সীলগী সেক্রেটরি টি ঐচ ইনাও, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল নুপী মরুপকী সেক্রেটরি এন প্রেমিলা অমদি দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল অসিগী য়ুথ সেক্রেটরি কে ভিক্টরসু শরুক য়াখি।

লেফ্‌ট সেক্যুলর দিমোক্রেটিক পার্টিগী অপূনবা মীরেপ ওইরিবা ডা. এম নর য়াওনা চৎখিবা কেম্পেন অদুদা কৈথেল ফম্বী ইমাশিংগা উনদুনা ৱারী শানখি। দুকান ফন্নিবশিংগসু উনখি। কেম্পেন অদুদা কৈথেল ফন্নিবী ইমাশিং অমদি দুকান ফন্নিবা কয়ানা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ইস্যুশিং নীংথিনা থবক্তা পায়খৎনবা ৱাফম কয়া থম্লকখি।

লমদমসিগী মীয়াম্না নিংদোন পোম্নরিবা বোর্দর ইস্যু, সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল, ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট য়াওনা তোঙান তোঙানবা ইস্যু কয়া মায় পাক্না লোইশিন্নবা ৱাফমশিং থম্লকখি। ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিদা লেফ্‌ট এন্দ সেক্যুলর দিমোক্রেটিক পার্টিগী মীরেপ ওইরিবা সী পি আইগী ডা. এম নরনা কৈথেল ফন্নিবী ইমাশিংগা ৱারী শানদুনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা খন্ন-নৈনখি। খোঙচৎ অদুদা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী থৌ পুবা কয়ানসু সী পি আইনা পায়খৎনিংলিবা থবক থৌরম কয়াগী মতাংদা ৱারী শাখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেটকা কোন্ননা নুপা ১ ফারে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ : ময়াই কাবা দ্রগ দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট চাওনা লল্লোন-ইতিক তৌবা নুপা অমা য়াম্লবা টেব্লেটকা কোন্ননা জিরিবাম নার্কোটিক সেলগী কাঙবুনা ফারে।

ঙরাং নুমীদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী এদিসনল এস পি (এল/ও) গী মীৎয়েং মখাদা এ এস আই কৃষ্ণ শর্ম্মানা লুচিংবা টিম অমনা নেসনল হায়ৱে নম্বর-৩৭ গুলারথোন থোং মনাক্তগী মীওই অদু ফাগৎখিবনি। জিরিবাম নাবনা ফারবা নুপা অদুগী মমিং লুনখোথাং হাওকিপ (২৭) কৌই। মহাক তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী হাওকিপ কোটলেনফাই খুনদা লৈবনি।

জিরিবাম নাব অমদি পুলিস য়াওবা টিম অমনা হায়ৱে অসিদা লোকসভাগী মীখল ঈংনা চিক্না পাঙথোকপা ঙম্নবা জিরিবামগী গুলারথোন থোং মনাক্তা লম্বীদা অচৎ-অওকশিং চেক তৌখি। মারুটি ইকো ভেন অমা চেক তৌবদা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেটশিং অদু হাপ্লম্বদগী ফাবনি হায়রি।

## ঈ ভি এম/ভি ভি পেট য়েন্থোকপা হৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ : লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা ঙসি ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) অমদি ভোটর ভেরিফাইএবল পেপর ওদিট ট্রেল (ভি ভি পেট) য়েন্থোকপগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে।

দেপ্যুটি কম্মিস্নর পৱন যাদবকী লীচিং মখাদা পায়খৎখিবা থৌরাং অদুদা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎ অমদি মীরেপ ওইরিবশিংগী এজেন্ট কয়াসু শরুক য়াখি। অচুম্বা মওংদা মীখল পাঙথোক্লবগী পান্দমদা অকনবা সিক্যুরিগী চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ষ্ট্রোং রূমদগী ঈ ভি এম অমদি ভি ভি পেটশিং পুথোরক্লগা নীংথিনা চেক তৌরবা মতুংদা কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ওইনা মথং-মনাও নাইনা য়েন্থোকপগী থবক পায়খৎখি। ঈ ভি এম অমদি ভি ভি পেটশিং য়েন্থোক্লবা মতুংদা সিক্যুরিটিনা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থমগনি।

## কঠকতা হোৎনরিবসিগা য়েংনবদা ঐখোয়গী সোলো দান্সতা হোৎনবগী চাংসি নেম্মী : থানিল

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস) :
ভারতিয়ম, কঠকনচিংবদা হোৎনরিবা অসিগা য়েংনবদা ঐখোয়গী সোলো দান্সতা হোৎনবগী চাংসিগা খরদি নেম্মী হায়না এস থানিল পদ্মশ্রীনা ফোঙদোকখ্রে।

সঙ্গীত নাটক একাদেমীগী মখাদা এনোয় সিন্দম শঙলেননা শীন্দুনা জে এন এম দি এগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা ক্রিএটিব ক্লাসিকেল মণিপুরী সোলো দান্স ফেষ্টিবেল হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এস থানিল পদ্মশ্রীনা হায়খি, অহল-লমন, ওজাশিংনা মৈহৌরোলদগী থম্বীরম্বশিংদা য়ুম্ফম ওইবা কয়াদগী থৈথরকপগী শরুক অমনি। মালেমদা উৎপা ঙম্নবা হোৎনগে হায়রবদি তোঙান্না অমুক লাক্কদৌরিবনি। কন্না হোৎনবা তাবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা জে এন এম দি এগী দিরেক্টর উপেন্দ্রনা হায়খি, সোলোদদি ঐখোয় খরা শোত্থরি। গ্রুপতদি হোল অদুম্মক লাংবা ঙম্মী। আর্টতদি সার্টিফিকেটতা কন্না মীৎয়েং চঙবা য়ারোই, পর্ফোর্মেন্সতা ওইগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা সঙ্গীত নাটক একাদেমী এৱার্দী এম কামিনিকুমারনা সোলো দান্সকীদমক নীংথিনা ষ্টদি তৌবা তঙাইফদে হায়বা ৱাফম থমখি। সোলো দান্স ফেষ্টিবেল অদুদা বেবি চনম অরাম্বম নম্রাতা, রোনিতা, মোনিকা, তোলেন অমদি নেরিনানা সোলো দান্স পর্ফোর্মেন্স উৎখি।

থৌরম অদুদা জগোয়-ঈশৈগী লমদা খঙ-হৈরবা কয়াসু শরুক য়াখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

## ‘দার্ক দেগী থৌরম এপ্রিল ২৭ তা পাঙথোক্তুনা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমগনি’

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস) :
দার্ক দেগী থৌরম, থা অসিগী ২৭ তা পাঙথোক্তুনা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমগনি হায়না ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা) গী সেক্রেটরি জেনরেল অকোইজম সঞ্জয়না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এঙ্গলো মণিপুরী লাঞ্জাও লোইখ্রবা মতুং কুমজা ১৮৯১ গী এপ্রিল ২৭ কী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা বৃটিশ লান্মীনা নীংশিংবা থোক্রবা মতমদগী মনিং তমদুনা লাক্লবা কংলৈপাক্কী কোনুং কংলা খুদুম চনখি। খা-নোংপোক এসিয়াদা মনিং তম্না পাঞ্জরম্বা ইরৈবাক্কী পাফল য়েকপা পাখংবগী নিং-তম ফিরাল চিংথদুনা অঙৌবশিংগী য়ুনিয়ন জেক য়েকপা ফিরাল কংলাদা চিংখৎখি। নুমীৎ অদুদগী হৌনা বৃটিশকী লোয়লম ফিবান্নুংদা কংলৈপাকসু থমখি।

ফুরুপকী নিং তম্বা ঙাক্লবগীদমক থৌনা ফারবা ইরৈবাকচা কয়ানা মালেমদা নুমীৎ তাদে হায়নরম্বা মশিং থিঙমদ্রবা বৃটিশ লান্মীশিং দিমাপুররোমদগী থিবোমৈ ফাওবা লাকপা, তোংজৈ মরিনলোমদগী লাকপা অমসুং তমুরোমদগী লাকপশিংগা থৌনা ফন্না লান্থেংনখি। চীংলম ওইবা পীক্লবা লৈবাকসিগী মশিং য়ামজখিদ্রবা লান্মীশিংনা মতমদুগা চুন্নদ্রবা খুৎলায় খরদং পায়দুনা নিংহন্নবা লৈতনা চঙশিনখি।

ইরৈবাক্কীদমক মায়োক্লবা লানফমদা মশক মমিং খঙহৌবা অমসুং খঙহৌদবা মরৈবাক নিংবা অথৌবা কয়া অমসু অরোইবা য়াহিপ তানখি। ঙসিগী মীরোলনা অথৌবশিংবু ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা মতম চুপ্পদা নীংশিংদুনতা লৈহৌরগদবা লাইওইখ্রবশিংবু শৈথাবা ওইনা চহী খুদিংগী এপ্রিল ২৭ পু দার্ক দে (অমম্বা নুমীৎ) হায়না পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

চৎলিবা চহী ২০১৯ গী ওইনসু ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোল এদভান্সমেন্ট (ইপসা) না শিন্দুনা ২১ শুবা ওইনা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন, পেলেস কম্পাউন্দ, ইম্ফাল ইষ্টতা এপ্রিল ২৭ কী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা লৈখিদ্রবা ইরৈবাক নিংবশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা মখোয়বু নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিগীদমক্তা মীয়ামদগী ইপসানা থৌরম মপুং ফাহন্নবা শেল অমদি পোৎকী ওইবা তেংবাং লৌগনি। হায়রিবা থৌরম অসিদা মণিপুরগী ৱাংমদা তাখ্রবা মণিপুরগী ইচিল-ইনাওশিং মরুওইনা ম্যান্মার, বাংলাদেশ, ত্রিপুরা অমদি অসামদগী লাকপশিংনা শরুক য়াগনি।

মীয়াম্না থা অসিগী ২৭ অসিদা বন্দ, ব্লোকেদনচিংবা তৌবীগনু। তঙাইফদনা পাঙথোকপা হরাও থৌরমশিংদা শরুক য়ারিবা পুম্নমক্কা নুমীৎ অসিদা লৈপাক্কী অথৌবশিংদা ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা লৈবীয়ু। এপ্রিল ২৭ কী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা দার্ক দে পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবা লৈবাক নীংবগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা নীংশিংগনি হায়নসু মখা তারি।



HL-P/6021/9-31march/1-12april